# য়ু এস ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা কশ্যপ থোইখ্রে, প্রনোয় অমসুং সৌরব ভর্ম্মা মায় পাকখ্রে





ফুলর্টন, জুলাই ১১ (এজেন্সী)ঃ
য়ু এস এগী কলিফোর্নিয়াদা ষ্টেটতা লৈবা ফুলর্টনদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা পরুপলি কশ্যপপু মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোয় অমসুং সৌরব ভর্ম্মা মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র শান্নরোয় অমা ওইরিবা অদুগা য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা পরুপলি কশ্যপ অমসুং নৌনা জুনিয়র শান্নরোয় ওইরম্বদগী সেনিয়র কেটগোরিদা শরুক য়াবা হৌরকখিবা হান্নগী এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয় লক্ষ্য সেনগা লম্বা তৌনবদা লক্ষ্য সেননা হৌবদগী খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু মহাক্না কশ্যপপু ২১-১১দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা পরুপলি কশ্যপনা তৌরকখি। নীংশিংবা য়াই হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা কনাদা ওপন বেদমিন্টনগী ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাখিবনি। ঙরাংগী য়ু এস ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুগী অনীশুবা গেমদা কশ্যপনা পোইন্ট ১৮ শুখ্রবসু লক্ষ্য সেননা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সৌরব ভর্ম্মগা লম্বা তৌনরগনি।

সৌরব ভর্ম্মনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইংলেন্দগী শান্নারোয় টোবি পেন্টিবু অকনা লম্বা অমদা ২১-২৩, ২১-১৫, ২২-২০দা থোইরম্বনি। মহাক্না নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় লক্ষ্য সেনগা লম্বা তৌনরবা মতুং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোয়না মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জপানগী য়ু ইগারাসিবু য়াম্না লেং মান্ননা শান্নখিবা অদুদা অহানবা গেম অদু পোইন্ট ২১-২৩দা মায়থীবা নংখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা প্রনোয়না য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা পোইন্ট ২২-২২ ফাওবা মান্নদুনা লৈরক্লবা মতুং থংনবা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২৪-২২দা থোইরগা দিসাইদিং শান্নখিবা। মদুদা প্রনোয়না ২১-১৮দা থোইরগা মেচ অদু মায়পাকখি।

প্রনোয়না ঙসি অথেংবদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিয়ো ক্বাং হীগা লম্বা তৌনগনি। হায়রিবা মেচ অদু প্রনোয়না মায়পাকপা তারবদি সেমী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী লক্ষ্য সেন অমসুং সৌরব ভর্ম্ম অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অজয় জয়ারাম টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং জু ৱৈগী মখুত্তা ১৬-২১, ২১-১৮, ১৬-২১দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় স্রি কৃষ্ণ প্রিয়া কুদরভালি অহানবা রাউন্দদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় সাউথ কোরিয়াগী কিম গা উনগা লম্বা তৌনবদা ১১-২১, ৮-২১দা মায়থীহৌখি। অমরোমদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় অনুরা প্রভুদেসাই চাইনিজ টাইপৈগী লিন সিয়াং টিগা লম্বা তৌনবদা ১৭-২১, ১৪-২১দা মায়থীবা নংদুনা অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী তরুন কোনানা কনাদাগী বি আর সনকর্থকা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র লী য়োং দে অমসুং য়ু য়িওন সিওংগী মখুত্তা ১১-২১, ১১-২১দা মায়থীহৌখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে?

২) মহাক্না হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙন্ননি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্না শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্না সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।



৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে?

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শুট্টিংগীদমক ইন্দিয়াগী শুট্টরশিং জর্মনি য়ৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ (এজেন্সী)ঃ
জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি সুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শুট্টিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী শুট্টিং টিম জর্মনি য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অসিদা পুন্না শুট্টর ৫৪দা শরুক য়াগদৌরি। মসিনা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শরুক য়ারকপদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা টিম ওইরি। টিম অসিনা জর্মনিগী সুলদা থাংজ নুমিৎতা প্রি ইভেন্ট ট্রেনিং পাঙথোক্কদৌরি।

হায়রিবা ট্রেনিং অদুদা মরু ওইনা রাইফল, পিষ্টোল অমসুং সোটগনগী ইভেন্টশিংনা মফম অদুগী শুট্টিং রেঞ্জ অদুগা চুশিন্ননবা কম্পিটিসন নুমিৎ ৱাৎলিঙৈদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মেদল ফংবগী অচৌবা তাঞ্জা লৈরিবা মমিং লৈরবা শুট্টরশিংগী মনুংদা স্রিয়া অগ্রৱাল, অনিস ভনৱালা, অর্জুন সিংহ শিমা, মেহুলি ঘোস, রিদে হজারিকা, ভিভিয়ান কপুর, মনিসা কির, উধেবির সিধু, বিজয়বির সিধু, আদর্স সিংহ, ইসা সিংহ, অস্বরিয়া প্রতাপ সিংহ তোমর অমসুং ইলাভেনিনল বলারিবননি।

শুট্টরশিং অসিগী কোচকী থৌদাং লৌগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুদি হান্না মশামক শুট্টর ওইরম্বা জসপাল রানা, সুমা সিরুর, বেদ প্রকাস, সাতগুরু দাস অমসুং দিপক দুবেনি।

পনবা য়াই, মমাঙগী ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়না গোল্ড মেদল ১৫ য়াওনা পুন্না মেদল ২৬ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি। লোয়ননা চাইনাগী টিমনা গোল্ড মেদল ৬ য়াওনা মেদল ২১ ফংলগা ২শুবা পোজিসন তাখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ অসিদা পুন্না লৈবাক ৫৫দগী শুট্টর ৬৫২না শরুক য়াগদৌরি। য়ুম্বু জর্মনিনা শুট্টর ৪০ থাদোক্তুনা ইন্দিয়াদগী হন্থরগা মশিং য়াম্বা টিমশিংগী মনুংদা অনীশুবদা লৈরি। অতোপ্পা মরু ওইবা মেদল ফংবা য়াবা লৈবাকশিং অদুদি রসিয়া (শুট্টর ৩৬), চাইনা (৩৪), জেক রিপব্লিক (৩৪), ইটালি (৩২), য়ু এস এ (৩১), বৃটেন (২৯), ফ্রান্স (২৮), পোলেন্দ (২৫) অমসুং জপান (২০)নি।

# লাইফ্রাকপম সদানন্দনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে জেরিমি লালরিনুঙানা রেকোর্দ কয়া থুগাইখ্রে



এপিয়া, জুলাই ১১ (এজেন্সী)ঃ
সমুৱাগী সিটি এপিয়াদা পাঙথোক্লিবা কমনৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি হুন্নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী লিফটর মণিপুরদগী হৌখিবা লাইফ্রাকপম সদানন্দসু গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে। মিজোরাম মচা জেরিমি লালরিনুঙানা রেকোর্দ কয়া থুগাইখ্রে।

কম্পিটিসন অদুগী য়ুথকী কাংলুপ্তা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা লাইফ্রাকপম সদানন্দনা কিলোগ্রাম ৭৩গী কেটিগোরিদা পুন্না কিলোগ্রাম ২৭৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। সদানন্দনা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ১২৪ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৫১ থাঙ্গৎলগা পুন্না কিলোগ্রাম ২৭৫ থাঙ্গৎলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ১৭শুরবা সদানন্দনা ঙসি এপিয়াদা থাঙ্গৎখিবা অপুনবা কিলোগ্রাম ২৭৫গী অরুম্বা অদু মহাক্কী করিয়রগী ওইনা খ্বায়দগী ফজখিবা পর্ফোমেন্স কিলোগ্রাম ২৭৮দগী কিলোগ্রাম ৩ হন্থনা থাঙ্গৎখিবনি। ঙসিগী পর্ফোমেন্স অদুদা ক্লিন এন্দ জর্কতা ব্রোঞ্জ মেদল অমগা অপুনবা অরুম্বা অদুগী গোল্ডগা থারগা মেদল অনী লৌবা ঙমখি।

মিজোরামদগী হৌখিবা জেরিমি লালরিনুঙানা কিলোগ্রাম ৬৭কী জুনিয়র কেটিগোরিদা শরুক য়ারকপদা স্নেটচতা পুন্না কিলোগ্রাম ১৩৬ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা য়ুথ ৱর্ল্ড, এসিয়ন অমসুং কমনৱেলথকী রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

আর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা জেরিমি লালরিনুঙানা স্নেটচতা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবসু ক্লিন এন্দ জর্কতা মায়পাক্না থাঙ্গৎপা ঙমখিদবগী গোল্ড লেভেল ওলিম্পি ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অদুগী ওইনা রেজিষ্টর তৌবা ঙমখিদে।

জেরিমিনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা নিংবো সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক্না স্নেটচতা কিলোগ্রাম ১৩৪ থাঙ্গৎতুনা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লম্বনি। হায়রিবা রেকোর্দ অদু ঙসি এপিয়াদা থুগাইবা ঙমখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড লৌখিবা ৱেথলিফটরশিং অদুদি জুনিয়রগী নুপাগী কাংলুপ্তা কেজি ৬৭কী কাংলুপ্তা গুলাম নবিনা স্নেটচতা কে জি ১১৬, ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ১৫৯ পুন্না কে জি ২৭৫ থাঙ্গৎলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী জুনিয়রগী কে জি ৭৩দা স্নেটচতা কে জি ১৩৬ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ১৬৯ থাঙ্গৎতুনা কেজি ৩০৫দা অসিন্তা সুলিনা গোল্ড ফংখি।

নুপীগী সিনিয়র কাংলুপ্তা কে জি ৭৬কী কেটিগোরিদা মনপ্রিত কোরনা স্নেটচতা কে জি ৯১, ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ১১৬ পুন্না কে জি ২০৭ থাঙ্গৎতুনা সিলভর লৌখি। অদুগা নুপীগী জুনিয়রগী কাংলুপ্তা রামসুন্দরা অরোকিয়া এলিসনা কে জি ৭৬কী কেটিগোরিদা স্নেটচতা কে জি ৭৯ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ১০৯ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কে জি ১৮৮দা সিলভর মেদল ফংখি।

# বোক্সর এম সি মেরি কোমনা ঐহাক্কী থৌনা হাপখি, ঐহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী চাওবা ফেননি ঃ সুনিল সেত্রি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মমিং লৈরবা বোক্সিংগী লিজেন্ট এম সি মেরি কোমগী ৱারীনা মহাকপু থৌনা হাপখি। লোয়ননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী অদুগী খ্বাইদগী চাওবা ফেননি হায়খ্রে।

হন্দক্তা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা লৈবাক্কী অসিগী নুপাগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা অদু সুনিল ছেত্রিদা পীখি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা সুনিল ছেত্রি হৌখিবা চহী খরা অসিদা মহাক্কী ফজবা মশান্নগী মপুং ফাবা মগুন উৎপা ঙন্নি। ইন্দিয়াগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা অসি মহাক্না ২০০৭, ২০১১, ২০১৩, ২০১৪ অমসুং ২০১৭দা ফংখ্রবনি।

ছেত্রিনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী করিয়রদা থৌনা হাপ্পিরকপা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া য়াওরি। মদুগী মনুংদা এম সি মেরি কোমসু অমনি হায়খি।

চহী ১৮ বোক্সিংগী লমদা ইন্দিয়াগীতা নত্তনা মালেমগী থাক্তা মমিং লৈরবী বোক্সর এম সি মেরি কোম ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক লৌবতা নত্তনা ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদল অমা অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ৫রক ফংবা ঙন্নি।

মচা ফাইবোক পোক্লবা মতুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমুক ওইরকপনি। মদুগী মতুং ৩শুবা মচা অমসু পোকখ্রবা মতুং ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা মকোক থোংবা ঙল্লিবী মেরি কোমনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা ফিদম্নফম পীদ্রবদি কনানা পীগনি। মহাকপু পামজবা হোৎনবা কনবগী থৌনা অদুদা ঙাওজবা মীওইশিংগী মনুংদা সুনিল ছেত্রিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱিমবল্ডন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমসুং সাইমোনা হালেপ লম্বা তৌনরগনি




লন্দন, জুলাই ১১ (এজেন্সী)ঃ
ৱিমবল্ডনগী নুপীগী ফাইনেলদা য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা অদুবু হন্দক্কী চহী অসিদনা ১১ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপী য়ু এসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট সেরেনা ৱিল্লিয়মসকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা ঙমখি। মহাক্না বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাগী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা সেট মায় পাক্লবা শান্নরকপা অদু সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা শুপ্নগী গেম ২খক মায় পাকখি। অদুগা সেরেনা গেম ৬ য়ৌবা হানখিবদগী সেমি ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি।

চহীসিগী ৩লক শুবা গ্রান্দ স্লাম (অহানবদা ওষ্ট্রেলিয়া ওপন অমসুং অনীশুবদা ফ্রেন্স ওপন) টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ২শুবা সেমি ফাইনেলদা মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরল্লবদি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা লম্বা তৌনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা অহানবা সেট অদুদা ৮ শুবা সিদেদ এলিনা স্বিটোলিনাবু লাকশিন্না শান্নবা ঙমখি। মদুনা কান্নবা পীরকপা অদুনা স্বিটোলিনাগী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-১দা থোইখি।

অনীশুবা সেট লম্বা খরা মান্নরকখি। অদুবু স্বিটোলিনাগী মায়কৈদগী গেম ৩খক মায় পাক্তুনা লৈরিঙৈ সাইমোনা হালেপনা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইরগা থাংজা নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ১১শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী পেয়র নিকোলাস মাহুত অমসুং ঈ রোজর বেসিলিননা ক্রোসিয়াগী ইভান দোগিগ অমসুং স্লোভেনিয়াগী ফিলিপ পোলাসেকপু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-২, ৭-৬ (৯-৭), ৭-৬ (৭-২)দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মখোয় অনীনা ফাইনেলদা হৌজিক অথেংবদা শান্নগদৌরিবা ২শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী জোন সেবেসিয়ন কবাল অমসুং রোবার্ত ফারানা ৩শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন অমসুং ন্যু জিলেন্দগী মাইকেল ভেনসকী অথোইবা অদুগা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ পেয়র ওইরিবা ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেস অমসুং য়ু এসকী নিকোল মেলিসরবু নেদর্লেন্দসকী মাত্বে মিদলকুপ অমদি চাইনাগী য়াং ঝাওজুৱাননা ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৪, ৬-৩দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ৫শুবা সিদেদ পেয়র নেদর্লেন্দসকী কোলহুপ অমসুং জেক রিপব্লীক্কী ক্বেতা পেসকেনা জর্মনিগী লোরা সিজমুন্দ অমদি ন্যু জিলেন্দগী আর্টেম সিটকপু ৬-১, ৬-২দা থোইদুনা মখোয়সু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# মহারাষ্ট্রগী অবিসেক প্রধান অমসুং উরবসি জোসি ফাইনেল চঙখ্রে




মুম্বাই, জুলাই ১১ (এজেন্সী)ঃ
মহারাষ্ট্রগী কোনুং মুম্বাইদা পাঙথোকপা জি এস সি ওল ইন্দিয়া স্কৱাস ওপন টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু ষ্টেট অদুগী অবিসেক প্রধান অমসুং উরবসি জোসি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপা অমসুং নুপীগী সেমি ফাইনেল মেচ মরিমক্তা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় ৮মক মহারাষ্ট্রগী ঙাক্তনি।

নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ অবিসেক প্রধাননা অতোপ্পা মহারাষ্ট্রগী অস্বেরি সিংহবু ষ্ট্রেট গেম ৩দা ১১-৯, ১১-৫, ১১-৩দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা অবিসেক অগরৱালনা রোহিত কদমবু ১১-৪, ১১-৩, ১১-৭দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা অবিসেক প্রধান অমসুং অবিসেক অগরৱাল লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সেমি ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ মহারাষ্ট্রগী উরবসি জোসিনা অতোপ্পা মহাক্কী ষ্টেট অদুমক্কী শান্নরোয় প্রাপতি সলুনকেবু ষ্ট্রেট গেমদা ১১-৩, ১১-৬, ১১-৩দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা মহারাষ্ট্রগী শান্নরোয় অনীগী লম্বা অদুদা নবমি শর্ম্মনা মেহক গুপ্তবু ১১-০, ১১-১, ১১-৪দা মায়থীবা পীখি।

নুপা মচাগী চহী ১৯ মখাগী কাংলুপ্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচশিংদা ছটিসগরগী প্রিথি সিংহনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ওইখিবা মহারাষ্ট্রগী অবিনাস যাদবপু ১১-৬, ১১-৪, ১১-৫তা থোইরগা ফাইনেলদা কাংলুপ অদুগী নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা অরাস মহেতাবু ১১-৩, ১১-৪, ১১-৫তা থোইরম্বা অতোপ্পা মহারাষ্ট্রগী অদবেত অদিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী মচাগী চহী ১৭ মখাগী ফাইনেলদনা মহারাষ্ট্রগী অরমান দরুখনৱালা অমসুং ষ্টেট অদুমক্কী মোহিত ভাতকা লম্বা তৌনরগনি। অরমনা দরুখনৱালানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ষ্টেট অদুমক্কী জয় বকনালিবু ৭-১১, ১১-৬, ৫-১১, ১১-৮, ১১-৫তা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা ২শুবা সিদেদ মোহিত ভাতনা অরনব মন্দ নাবু ৯-১১, ১১-৪, ১১-৫, ১১-৯দা মায়থীবা পীখি।